# ‘দোলাইথাবি বেরেজগী কান্নবা মীয়ামদা ফঙহল্লু’



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুন্দ্রাকপম এসিনা কোনবদা লৈবা দোলাথাবি বেরেজনা য়ুন্নাম খুনৌ, শম্বে, হরাওরৌ, চীংখু, খুন্দ্রাকপম, পাঙ্গৈ অমদি ৱাইতোনগী এরিয়াদা লৈবা লৌবুকশিংদা ঈশিং পীবা ঙমদ্রে হায়না অপুনবা লৌমী লূপ, য়ুন্নাম খুনৌগী প্রসিদেন্ট এল সঞ্জিৎনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা চহী মঙা অসিদা মরী লৈনবা মণিপুর লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিংদা ঈশিং ফঙহনবীনবা লৌমীশিংনা ৱাকৎলবসু ঙসি ফাওবা ঈশিং ফঙদবনা লৌমীশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। লৈরিবা দোলাইথাবি বেরেজকী কেনেলদা ঈশিং থাবীদবনা কেনেলসু নাপি হৌজিন দুনা কংদুনা লৈরে। লৌমী মীয়ামদা ঈশিং পীনবগী থৌরাংশিং লৈরে হায়রগসু ঙসি ফাওবা মায়কৈ অসোমগী মীয়ামদা ঈশিং পীনবগী পোরম য়াৎপা উদ্রি।

মমাঙ চহী অনীদা কোভিদ ১৯ না চাওখৎ থৌরাংদা অপনবা ওইখিবনা শেমদ্রবসু লাইচৎ লোইরকপদা মীয়ামগী লুচিংবশিংনা চাওখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক মীৎয়েং চঙবীফম থোকপদু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা পায়খৎপীদনা লৈরি। হৌজিক লৌ পান্নবা মফম কয়াদা ঈশিং ফঙদবগী অৱাবা লৌমীশিংনা মায়োক্লরি। খরা কুৎপা মফমদদি ঈশিং ফঙবনা লৌ পাল্লগসু খরা কাংথক নাইবা লৌফমশিংদদি ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাদবনা লৌ পানবা ঙমদনা লৈরি।

মরম অদুনা মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না করি মীৎয়েং থম্বগে হায়বদু মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা ময়েক শেংনা থম্বীয়ু হায়না অপুনবা লৌমী লূপ অসিগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

# মীয়ামগী মায়োক্তা ওইবা ফোরেষ্ট কঞ্জার্ভেসন (এমেন্দমেন্ট) বিল পাস তৌবগীদমক নেফিসনা সেন্টরবু কন্দেম তৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস):** পার্লিয়ামেন্টদা হন্দক্তা ফোরেষ্ট কঞ্জার্ভেসন (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০২৩ পাস তৌখিবগীদমক্তা নোর্থ-ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনেল সোলিদেরিটি (নেফিস) না সেন্টর গভর্ণমেন্টবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

নেফিসকী প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রিবদি এক্ট অদু মীয়ামগী মায়োক্তা ওই অমসুং মদুনা কোর্পোরেটশিং অমসুং বিজিনেস হাউসশিংগী ইন্টরেষ্টতা ফোরেষ্ট এরিয়াশিংদা লৈরিবা নত্ত্রগা ফোরেষ্ট এরিয়াশিংগী মপান তাংলিবা রাইটশিংদা চাওনা শোকহল্লি।

বিল অদুনা ফোরেষ্টকী পাক চাওরবা লমশিং নন-ফোরেষ্ট্রিগী লমশিংদা শীজিন্নবা য়াহন্দুনা কোর্পোরেট হাউসশিংবু ফোরেষ্টকী লমশিং শীজিন্নবদা খুদোং চাহল্লি। লোকেল মীওইশিংগী শেল থুমগী থবক থৌরমশিংদা শোকহনবগা লোয়ননা বিল অদুনা হৌজিক লৈরিবা এফ সি এগী অকনবা প্রোভিজনশিংদা একজেম্পসন কয়া পীরি। খুদম ওইনা ইন্টরনেসনেল বোর্দরশিং, লাইন ওফ কন্ট্রোল নত্ত্রগা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল পরিংগী কিমি ১০০ গী মনুংদা লৈবা লমশিং নেসনেল ইম্পোর্টেন্স লৈবা অমসুং নেসনেল সেক্যুরিটিগী ওইবা ষ্ট্রেটেজিক লিনিয়র প্রোজেক্টশিং শেমগৎ শাগৎপদা শীজিনহন্নবা প্রপোজ তৌরি।

মসিনা হায়রিবদি বাইওদাইভর্সিটি অমসুং নেচরেল রিছোর্সশিংদা ইনাক খুল্লবা ইষ্টর্ন হিমালায়সকী হৌজিক ফাওবদা কনামত্তনা মীৎয়েং চঙদ্রিবা মফমশিংগী ফোরেষ্টকী লমশিং চাওনা দাইভর্সন তৌবা য়াহনগনি।

লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং বাংলাদেশ, ভুটান, ম্যান্মার, টিবেট অমসুং চাইনাগা বোর্দর লোন্নবা লৈরিবনি।

বিল অদুনা ইন্টরনেসনেল বোর্দরগী কিমি ১০০ গী মনুংদা লৈরিবা নাগালেন্দগী টেরিটরিগী চাদা ৯০ রোমদা শোকহনবগা লোয়ননা অরুনাচল অমসুং অসামগী লম কয়া অমসুং মেঘালয়, মিজোরাম, মণিপুর অমসুং ত্রিপুরাগী লমদম অপুন্বদা শোকহনগনি।

মসিগী মথক্তগা ফোরেষ্ট এরিয়াশিং অতোপ্পা হিরমদা শীজিন্নবগী খোঙথাং অমত্তা লৌখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা সেদ্যুল ট্রাইব অমসুং অতৈ মমাঙঙৈদগী ফোরেষ্টতা লৈরকপা কম্যুনিটিশিংগী অয়াবা লৌবা মথৌ তাহল্লিবা ফোরেষ্ট রাইটস এক্ট, ২০০৬ অসি বিল অসিনা এক্ট অমা ওইরকপা মতমদা সুপরসেট তৌগদৌরিবনি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অসিগুম্বা বিল অসিবু পাস তৌরিবসি নেফিসনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই অমসুং মসিবু খুদক্তা হন্দোক্লবা দিমান্দ তৌরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অসিনা মখা তারি।

# আই এল পিগী মতাংদা খুৎ থিংজিল্লক্তনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না বেজ কাউন্সিলশিংদা খঙহনখ্রে



**দিমাপুর, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী):** নাগালেন্দগী কোহিমা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ভিলেজ কাউন্সিলশিং অমসুং মসিগী মখাদা লৈবা ৱার্দ পুম্নমক্তা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রিগুলেসন (বি ই এফ আর), ১৮৭৩ চেকশিন্না ঙাক্লনবা অমসুং ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি) ইস্যু তৌবা নত্ত্রগা চৎনহনবগী মতাংদা অয়েৎ অপন অমত্তা পীদনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা নাগালেন্দগী কোহিমাগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার সনাবস সিনা নোটিফিকেসন অমদা হায়খি, মদুদি দিরেক্তিব অদু নাগালেন্দ কম্মিস্নরগী ওফিসতগী লাকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না ইস্যু তৌখিবনি। বি ই এফ আর ১৮৭৩ গী মতুং ইন্না আই এল পিশিং ইস্যু তৌবা, চৎনহনবা অমসুং রেগুল্যেসন তৌবা হায়বসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন খক্তনা তৌগদবা থবকশিংনি।

রেগুল্যেসন অসিগী মায়োক্তা ওইবা এক্সনশিং নত্ত্রগা দিল্লিংশিং ইল্লিগেল ওই হায়না লৌই হায়নসু কোহিমাগী দিসিনা ফোঙদোকখি।

রেগুল্যেসন অদুগী মতুং ইন্না নাগালেন্দগী য়েলহৌ নত্তবা ইন্দিয়ান সিটিজন নত্ত্রগা ফোরেন্নরনা আই এল পি লৌবা মথৌ তাই। অদুনা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা প্রেস্ক্রাইব তৌবগী মতুং ইন্না মতম খরগী ওইনা য়েলহৌমী নত্তবশিংনা আই এল পিগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা চঙবা নত্ত্রগা লৈবা য়াগনি।

চৈরকসিদা নেসনেল ক্লিন এয়র প্রোগ্রাম (এন সি এফ পি) গী মতুং ইন্না দিসিনা পব্লিক হাইজিন ফেসিলিটিশিং ফগৎহন্নবা, ফায়র সেফতিগী থৌরাংশিং ইলহন্নবা অমসুং ফ্যুএলগী ক্বালিটি চ্যেক তৌননবা লোয়ননা ফ্যুএলদা পোৎয়ান তৌবগী ফিভমশিং চেক তৌননবগী ইনিসিএটিব অমা লৌখৎখ্রে।

জুলাই ১৫ দগী ২৯ ফাওবা কন্দক্ট তৌখিবা এক্সর্সাইজ অদু সেন্ট্রেল পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা পীবা গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না চৎখিবনি।

# ত্রিপুরাদা অহানবা ওইনা দেঙ্গিনা নাবা মীওই অমা লৈখিদ্রে



**অগরতালা, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী):** ত্রিপুরাগী সেপা হিজালা দিষ্ট্রিক্টতা অহল ওইরবা নুপা অমা দেঙ্গিনা নাবদগী হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈখিদ্রে। মদু কাঙনা শন্দোরকপা লায়না অদুনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিদা থোকপা অহানবা মী শিবগী থৌদোক্লি।

লৈখিদ্রবা সুভাস সরকার কৌবা মীওই অদু দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দানপুর এরিয়াদা লৈবনি। মহাক ফিভরগী কমপ্লেন্টগা লোয়ননা হৌখিবা জুলাই ২৮ গী অহিংদা ধানপুর প্রাইমারি হেল্‌ঠ সেন্টরদা এদমিট তৌখি। ব্লদ টেষ্টতা মহাক দেঙ্গি লায়নাগী ইনফেক্সন লৈরে হায়বসি কনফার্ম তৌবা ঙমখি।

লৈখিদ্রবা সরকারগী মচানুপানা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী মপা জুলাই ২৮ গী অহিংদা অগরতালাগী হাপানিয়া হোস্পিটালদা এদমিট তৌরবা মতুংদা দাইরিয়াসু তৌরকখি। মহাক্কী ফিভম ফগৎলক্তবদগী মহাক ধানপুর প্রাইমারি হেল্‌ঠ সেন্টরদা পুদুনা মখা তানা লায়েংখিবগা লোয়ননা মহাক হোস্পিটাল অসিদা শিখিবনি।

ত্রিপুরাগী মফম কয়াদা দেঙ্গিগী কেস কয়া থেংনখি। লায়না অসিগী কেস মশিং সেপাহিজালা দিষ্ট্রিক্টতনা খ্বাইদগী হেন্না থেংনখি। য়ামদ্রবদা পেসেন্ট ৩৬ হৌজিক হৌজিক অগরতালাগী গোবিন্দ ভালবপান হোস্পিটালদা লায়না অসিগী লায়েং চথুরি।

কুমজা ২০১৮ দা ষ্টেট অসিদা মরু ওইনা ধালাই দিষ্ট্রিক্টতা মলেরিয়াগী লায়চৎ অমা শন্দারকখি অমদি লায়চৎ অদুদা কাঙনা শন্দোকপা লায়না অসিনা মীওই তরুক শিহনখি। ষ্টেট হেল্‌ঠ ওফিসলশিংনা মীয়ামদা দেঙ্গি শন্দোরকপা থিংননবা কাঙনা চিক্তনবগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা আপিল তৌখ্রে।

## বি এসসি এগ্রি তম্বগী ফোর্ম থারে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস):** চৎলিবা চহী ২০২৩-২৪ গী সেসনদা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (কাও), ইরোইশেম্বদা বি এসসি এগ্রি-বি টেক (ফুদ টেক্নোলোজি) বি টেক (ইঞ্জিনিয়র), বি এসসি (ওনর্স) কম্যুনিটি সাইন্স-বি এসসি (ওনর্স) ফুদ ন্যুট্রিসন এন্দ দাইটেটিস তম্নবগী ফোর্ম থাবা হৌরে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী দাইরেক্তর এগ্রিকলচর এন গোজেন্দ্রোনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

হায়রিবা কোর্সশিং অসিদা ষ্টেট নোমিনি ওইনা তম্নদা মহৈরোয় খনবগী থবক ষ্টেটকী দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচরনা পাঙথোক্কনি। অদুগা কোর্স অসিদা তমগদবা মহৈরোয়শিং খনবগী মওং অদু নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন টি এ) না হন্দক্তা পাঙথোকখিবা কম্মন য়ুনিভর্সিটি এন্ট্রান্স টেষ্ট (সি য়ু ই টি) কী রিজল্ট অদুগী মেরিট বেসিসতা খনগনি।

কোর্সশিং অসিদা তম্নবগী ফোর্ম অদু দাইরেক্তোরেট অসিগী ওফিসল ৱেবসাইট www. agrimanipur.gov.in দা চঙলগা দাউনলোদ তৌবা য়াগনি।

লোয়ননা দাইরেক্তোরেট ওফ এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টগী ওফিসতা লাক্তুনা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম থাজিনবগী মতম ওগষ্ট ১১ নি। ছুতি নুমিৎসু ফোর্ম থাজিনবা য়াগনি হায়না দাইরেক্তর অসিগী চেরোল অসিনা মখা তারি।


# CHEMISTRY ONE STOP SOLUTION

## NEET (UG) 2024

Registration open for
REGULAR FOUNDATION COURSE
- Class Start: 10th August 2023 (3rd Batch)
- Morning Shift: 6:00 am – 7:00 am

MOCK TEST SERIES FOR NEET (UG)
- Test Starts from 20th August 2023

OUR SHINING STAR HEARTIEST CONGRATULATIONS NEET (UG) 2023





Visit or call: The Sky Tutorial Centre, Keishampat Leimajam Leikai Near Kangla Pao
Contact us : 7005263282/8131953771/7005402144/9818356483

HL-P/7364/4,6,8,10,12,14,17,19,21,23,25,27,29,31 Aug, 2 Sept

## CROSSWORD-3932



**ACROSS**
1. Asian country(4)
3. Stable; poised(8)
9. Somebody else(7)
10. Profits(5)
11. One of the Marx Brothers(5)
12. Weeping(6)
14. Rue(6)
16. Violet blue dye(6)
19. Rabbit's home(6)
21. Inspect accounts(5)
24. Insurgent(5)
25. Moscow citadel(7)
26. Game bird(8)
27. Broad(4)

**DOWN**
1. Tough(8)
2. Smell(5)
4. Continent(6)
5. Irate(5)
6. Italian wine(7)
7. Measure of medicine(4)
8. Royal seat(6)
13. Carry on(8)
15. Complain(7)
17. Closer(6)
18. Rouse(6)
20. Reigns(5)
22. Indian city(5)
23. Excursion(4)

**Solution 3931**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| W | E | E | K | E | N | D | | L | I | M | I | T |
| A | | X | | N | | O | | O | | I | | H |
| S | O | U | T | H | | D | E | C | E | N | C | Y |
| T | | L | | A | | G | | A | | A | | M |
| R | E | T | I | N | U | E | | L | A | R | G | E |
| E | | | | C | | D | | | | E | | |
| L | O | I | T | E | R | | A | R | C | T | I | C |
| | | G | | | | S | | E | | | | O |
| M | I | N | C | E | | T | I | D | Y | S | U | M |
| I | | O | | X | | R | | T | | Q | | P |
| D | E | B | A | C | L | E | | A | M | U | S | E |
| A | | L | | E | | S | | P | | A | | R |
| S | T | E | A | L | | S | P | E | C | T | R | E |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-5230

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 2 | | | | | 7 | |
| | | | 4 | | 5 | | | |
| | | | | 8 | | | | 6 |
| | | 7 | | | 8 | 5 | | 3 |
| | 4 | | | | | | 1 | |
| 2 | | 5 | 7 | | | 6 | | |
| 7 | | | | 2 | | | | |
| | | | 3 | | 6 | | | |
| | 5 | | | | | 1 | 4 | 2 |

**Solution-5229**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 5 | 8 | 7 | 3 | 9 | 6 | 2 | 1 |
| 6 | 7 | 3 | 4 | 1 | 2 | 9 | 5 | 8 |
| 1 | 2 | 9 | 8 | 6 | 5 | 3 | 7 | 4 |
| 3 | 6 | 4 | 1 | 9 | 7 | 5 | 8 | 2 |
| 2 | 1 | 7 | 6 | 5 | 8 | 4 | 3 | 9 |
| 8 | 9 | 5 | 2 | 4 | 3 | 7 | 1 | 6 |
| 7 | 8 | 6 | 3 | 2 | 4 | 1 | 9 | 5 |
| 9 | 4 | 2 | 5 | 7 | 1 | 8 | 6 | 3 |
| 5 | 3 | 1 | 9 | 8 | 6 | 2 | 4 | 7 |

## EMPLOYMENT NEWS

### AAI RECRUITMENT 2023 FOR 342 JUNIOR EXECUTIVE, JUNIOR ASSISTANT, SENIOR ASSISTANT

Vacancy Circular No: -
Airports Authority Of India (AAI) Junior Executive, Junior Assistant, Senior Assistant Recruitment 2023
Advertisement for the post of Junior Executive, Junior Assistant, Senior Assistant in the Airports Authority Of India (AAI). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 4th September 2023. Candidates can check the latest Airports Authority Of India (AAI) Recruitment 2023 Junior Executive, Junior Assistant, Senior Assistant Vacancy 2023 details and apply online at the www.aai.aero recruitment 2023 page.
Airports Authority Of India (AAI) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aai.aero. Airports Authority Of India (AAI) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed in Delhi. More details of www.aai.aero recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Junior Executive, Junior Assistant, Senior Assistant
Job Location:
Safdarjung Airport, New Delhi, 110003 Delhi
Number of Vacancy: 342 Posts
Educational Qualification:
Junior Assistant (Office): Candidates should have completed their Graduation.
Senior Assistant (Accounts): Candidates should have completed their Graduation in B.Com with 2 years’ relevant experience
Junior Executive (Common Grade): Candidates should have completed their Graduation.
Junior Executive (Finance): B.Com with ICWA/ CA/ MBA with specialization in Finance.
Junior Executive (Fire Services): Bachelor’s Degree in Engineering. / Tech. in Fire Engg./ Mechanical Engg./ Automobile Engg.
Junior Executive (Law): Professional Degree in Law (3 years’ regular course after graduation OR 5 years’ integrated regular course after 10+2) and candidate should be eligible to get himself enrolled as an Advocate in Bar Council of India to do practice in courts in India.
Pay Scale:
INR 31000-140000/- Per Month
Age Limit: Maximum 30 Years.
Application Fee: Application Fee of Rs.1000/- is to be paid by the candidates However, the SC/ST/PWD candidates/ Apprentices who have successfully completed one year of Apprenticeship Training in AAI/ Female candidates are exempted from payment of Fee.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://www.aai.aero/en/careers/recruitment
Important Dates:
Published on: 21st July 2023
Last date for application is: 4th September 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### TPSC RECRUITMENT 2023 FOR 400 JUNIOR ENGINEER (JE)

Vacancy Circular No: -
Tripura Public Service Commission (TPSC) Junior Engineer (JE) Recruitment 2023
Advertisement for the post of Junior Engineer (JE) in the Tripura Public Service Commission (TPSC). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 24th August 2023. Candidates can check the latest Tripura Public Service Commission (TPSC) Recruitment 2023 Junior Engineer (JE) Vacancy 2023 details and apply online at the tpsc.tripura.gov.in recruitment 2023 page.
Tripura Public Service Commission (TPSC) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ tpsc.tripura.gov.in. Tripura Public Service Commission (TPSC) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed in Tripura. More details of tpsc.tripura.gov.in recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Junior Engineer (JE)
Job Location:
Agartala, West Tripura, 799001 Tripura
Last Date: 24th August 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 400 Posts
Educational Qualification:
For Junior Engineer, Grade-V(A) Degree: Candidates Should Possess Degree (Engineering).
Pay Scale:
INR 34700-47600/- Per Month
Age Limit: 18-40 Years.
Application Fee:
For Group–B Gazetted posts (General Candidates): Rs. 350/–
For Group–B Gazetted posts (SC/ ST/ BPL/PHC): Rs. 250/–
For Group–C non–Gazetted Posts (General Candidates): Rs.200/–
For Group–B Gazetted posts (SC/ ST/ BPL/ PHC): Rs. 150/–
Payment Mode: Through Online Mode
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://tpsc.tripura.gov.in/
Important Dates:
Published on: 21st July 2023
Last date for application is: 24th August 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




ৱারী মমিং : ক্বারুবাক
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম




